# সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টনগী ফাইনেলদা পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱাল নুপীগী সিঙ্গলসতা লম্বা তৌনরগনি



গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী) ঃ
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বেদমিনটনগী টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেনটকী ৮৩শুবা য়োনেক্স সনরাইজ কম্পেনিনা স্পোন্সর তৌরগা গুৱাহাটিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় অনী সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধু লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগীদা নত্তনা মালেমগী ওইবা থাক্তা মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইবা ঙল্লিবা সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধুনা ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা অতোপ্পা নহা ওইরিবা শান্নরোয় কয়াগী পূক্নিং চিংশিন্দুনা শান্নবা য়াওরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী টুর্নামেন্ট অদু মহারাষ্ট্রগী নাগপুর সিটিদা পাঙতোরকপদা নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইনা পি ভি সিন্ধুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

পি ভি সিন্ধু ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপকী মেদল ফংবা ঙমখ্রবী শান্নরোয়নি। অমরোমদা সাইনা নেহৱালসু মালেমগী তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা মকোক থোংবা ঙম্বা খক্তা নত্তনা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক্সকী মেদল ফংবা ঙমখিবী শান্নরোয়নি।

সাইনা নেহৱাল অমসুং পি ভি সিন্ধুনা লম্বা তৌনখিবা খ্বাইদগী অকোনবা টুর্নামেন্ট অদু কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদনি। হায়রিবা ফাইনেল অদুদা সাইনা নেহৱালনা সিন্ধুবু মায়থীবা পীরগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মদুগী মাঙওইননা ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল টুর্নামেন্টতা শান্নরোয় অনীনা লম্বা তৌখিবা অদু কুমজা ২০১৭কী নাগপুরদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুমক্তসু সাইনা নেহৱালনা পি ভি সিন্ধুবু মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি। মালেমগী ওইবা নুপীগী বেদমিন্টন শান্নরোয়শিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা য়েংলুবদা পি ভি সিন্ধুবু সাইনা নেহৱালনা তাঙ্কক কয়াদা মায়থীবা পীবা ঙম্লবসু শান্নরোয় অনীনা তোঙান তোঙাবা টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুবা অদুনা ফজবা হেনখিবা অদুনা মরম ওইরগা পি ভি সিন্ধুনা সাইনা নেহৱালদগী থাক ৱাংনা লৈবা ঙমখি।

গুৱাহাটিগী নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা পি ভি সিন্ধুনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ষ্টেট অসামগী চহী ১৯দা ঙাইরিবী শান্নরোয় অসমিটা সলিহাবু গেম ২-০দা থোইখি।

অহানবা গেম অদু পি ভি সিন্ধুনা য়াম্না কোম্না ২১-১০দা থোইখি। মদুগী মতুং অসামগী শান্নরোয় অসমিতানা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না কন্না লম্বা পীরক্তুনা পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী গেম অদু মায় পাক্লুবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি।

অনীশুবা গেম অদুদা পোইন্ট ২০-২০ লৈরম্লবা মতুং এক্সপরিএন্স লৈরবী পি ভি সিন্ধুনা থংনবা পোইন্ট অনী লৌদুনা ২২-২০দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালগী মমিং লৈরবা মীয়াম্না খঙনরবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। সাইনা নেহৱালনা ঙরাং অথেংবদা মহাক্কী শান্নফম অদু লৈতেম মান্নদে হায়বগী মতাংদা মেচ অদু থেংথখ্রবা মতুং বৈন্নবি ভালেবু সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা য়াম্না কোম্না ২১-১৫, ২১-১৪দা থোইদুনা পি ভি সিন্ধুগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল সাইনা নেহৱালনা কুমজা ২০০৬, ২০০৭ অমসুং ২০১৮তা লৌবা ঙমখি। অমরোমদা মহাক্কী লম্বা ওইগদৌরিবী পি ভি সিন্ধুনা নেসনল টাইটল অদু কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১৩দা লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা মমাঙদা টাইটল অসি অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা সৌরব বর্ম্মা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমী ফাইনেলদা ঙসি মুম্বাইগী শান্নরোয় কোসল ধর্ম্মামরমবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৪, ২১-১৭তা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসগী কাঙলূপ্তা রোহন কাপুর অমসুং কুহো গর্গনা বিকনেস দিবেকর অমদি হরিকাবু ২১-১৫, ২১-১৬তা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিদা সীদেদ ফংখিদবা পেয়র অদুনা হয়েং শান্নগদবা ফাইনেল মেচতা মানু আত্রি অমসুং মনিসাগা লম্বা তৌগদৌরি।

# জপানগী শান্নরোয় কৈনিসিকোরি রোটর্দম টেনিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে



রোটর্দম, ফেব্রুৱারি ১৫(এজেন্সি):
নেদরলেন্দসকী কোনুং রোটর্দমদা পাঙথোক্লিবা রোটর্দম এ টি পি ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা জপানগী শান্নরোয় কৈনিসিকোরি মহাক্কী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

এসিয়াগী নুপাগী টেনিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা জপানগী কৈনিসিকোরিনা রোটর্দম ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লাটভিয়াগী শান্নরোয় অরোনেস গুলবিচপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-১, ৬-৪দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নিসিকোরিনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা হঙ্গেরিগী শান্নরোয় মার্টোন ফুকসোবিচকা লম্বা তৌনগদৌরি। ফুকসোবিচনা মহাক্কী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা জিওর্জিয়াগী শান্নরোয় নিকোলোস বাসিলাস-বিলিবু ৭-৬ (৭-১), ৬-১দা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা কৈনিসিকোরিনা মহাক্কী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ মায় পাক্লুবা মতুং ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লম্বা অদুগা থেংনবদা উৎখিবা মশাগী ওইবা মশান্না অদু তাঙ্কক খরদা শেমগৎকদবা ৱাংলি। হায়রিবা অশোনবা মফমশিং অদু শেমগৎপা ঙম্লবদি অতোপ্পা মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংনা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগা থেংনবদা মায় পাকপা য়াবগী থৌনা লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, নিসিকোরিনা চহী অসিগী হৌরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিজবেন্দা পাঙথোকপা এ টি পি টাইটল অমা লৌবা ঙমখিবনি।

# মনিরুদ অমসুং মোরে এলেভেন টিমগা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ শান্নখ্রে



মোরে, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস)ঃ
ঙসি মোরেদা পিছ এন্দ য়ুনিটিগী ৱাখল্লোন্দা মনিরুদ অমদি মোরে এলেভেন টিমগা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অমা ইষ্টর্ন সাইন স্কুলগী শান্নবুংদা শান্নখ্রে।

ওল কম্যুনিদি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেসন মোরে (এ সী ও দি ও এম) অমসুং বোবি এন্টরপ্রাইজেসনা পূন্না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নাওরিয়া পাখংলা-কপা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এস সুভাসচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়নন মোরে এ দি সীগী প্রসিদেন্ট আই এস এম রাজকুমারনা এ সী ও দি ও এমগী প্রসিদেন্ট আর কে সনায়াইমা, মনিরুদকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ অনুকুমার, এম সী এমগী প্রসিদেন্ট এম থোইবা, ঐচ টি সীগী স্পোর্টস সেক্রেটরি ভিক্টর, মোরেগী টামিল সঙ্গমগী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি থিলাখান, গোরজা সমাজগী প্রসিদেন্ট দুর্গা শর্ম্মা, এম এম সী এমগী প্রসিদেন্ট এম দি জলালউদ্দিন অমদি অতোপ্পা মরুওইবা মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেচ অদু শান্নবদা পূক্নিং থৌগৎখি।

# ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম টর্কিষ্ট ৱিমেন্স কপ ইন্টরনেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারগনি



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী) ঃ
ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট উরিষাদা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক মরিগী ওইবা হিরো ৱিমেন্স গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রবসু মখা তানা টিম অসি অহেনবা থাক্তা পুরক্লবগীদমক্তা টর্কিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টর্কিষ্ট ৱিমেন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরি।

থা অসিগী ২৭তগী হৌগদৌরিবা টর্কিষ্ট ৱিমেন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম গ্রুপ এদা রোমানিয়া, উজবেকিস্তান অমসুং টুর্কমিনিষ্টানগা পূন্না লম্বা তৌনগনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিদা ফ্রান্স, জোর্দান, নোর্দন আইলেন্দ অমদি য়ূম্বু টর্কিনা লম্বা তৌনগদৌরি।

টর্কিষ্ট ৱিমেন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা গ্রুপ অমদা লৈরিবা টিম মরিনা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা অমনা অমবু লম্বা তৌনরবা মতুং গ্রুপ অদুগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম অদুনা ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। ফাইনেল য়ৌবা টিম অনী খনবা লোইখ্রবা মতুং অহুমশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসনগীদমক্তসু লম্বা তৌনবগী তাঞ্জা ঙাইরি। লোয়ননা মঙাশুবা, তরুকশুবা, তরেৎশুবা অমদি অরোইবা টিমগী লম্বাসু টুর্নামেনট অসিগী মায়কৈদগী থমগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী ওলিম্পিক ক্বালিফায়রগী অনীশুবা রাউন্দদা শরুক য়ানবগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা শেম শাবা মেচ ওইনা শরুক য়ারিবনি।

চহী অসিগী মার্চ থাদা সাঊথ এসিয়া ফুটবোল ফেদ্দরেসনগী ওইবা ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ্তসু ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা শরুক য়াগদৌরি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদ্দরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুসল দাসনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী মাঙওইননা শেম শাবা ওইনা অতোপ্পা ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা ফীভম ফগৎনবা হোৎনবনি হায়খি।

# ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ক্রিকেট সেরিজকীদমক কে এল রাহুল টিম খনবদা য়াওখ্রে, অমরোমদা দেনিস কার্টিক টিম অদুগী শান্নরোয় লাউথোরকপদা য়াওখিদ্রে

মুম্বাই, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী) ঃ
ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নগদৌরিবা ৱান দে সেরিজকী টিম খনবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা নহা ওইরিবা কে এল রাহুল লাউথোরকপদা মমিং য়াওখ্রে। অদুবু দিনেস কার্টিককী মমিং য়াওখিদ্রে।

বি সী সী আই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া) গী মায়কৈদগী ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নগদৌরিবা ৱান দে সেরিজগী শান্নরোয় খনবদা বেটসমেন কে এল রাহুলগী মমিং য়াওখ্রে। অদুবু দিনেস কার্টিক্কী মমিং লিষ্ট অদুদা য়াওখিদ্রে।

ঙসি বি সী সী আইগী মখাদা লৈবা নেসনল সেলেক্সন কম্মিটিনা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা টি-২০ অমসুং ৱান দে মেচ সেরিজ অদুগীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১৫ খনগৎপদা কে এল রাহুলগী মমিং য়াওখিবনি। অদুগা দিনেস কার্টিক্কী মমিং য়াওরক্তবনি।

পনবা য়াবদি, টি-২০গী শান্নরোয়শিংগী লিষ্ট থোরকপদা নহা ওইরিবা লেগ স্পিনর ময়াঙ্ক মার্কানিদগী মমিং য়াওরকখি।

ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা টি-২০ মেচ অনী শান্নগদৌরি। মদুদা নত্তনা ৱান দে মেচ মঙাসু লৈবাক অনীগী ক্রিকেট শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ৱান দে অমসুং টি-২০গী সেরিজ অসি থা অসিগী ২৪দগী হৌগদৌরি। হায়রিবা সেরিজ অসিনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী ওইনা চহী অসিগী মে ৩০দা ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদুগী মাঙওইননা শান্নবা অরোইবা ইন্টরনেসনল সেরিজ ওইগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, বি সী সী আইনা ইনিদয়াগী শান্নরোয় হার্দিক পান্দিয়া অমসুং রাহুল হৌখিবা থাদা টেলিভিজন টোক শোদা ৱাহৈ ফজদবা ফোঙদোক্লুবগীদমক সস্পেনদ তৌবা লৈখিবনি। অদুবু পান্দিয়া হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়া অমসুং ন্যুজিলেন্দগী সেরিজ অদুদা মহাক্কী অথিংবা অদু কোমথোক্তুনা টিমদা য়াওননবা কৌখি। অদুবু রাহুল ইন্দিয়া এগী টিমদা লৈহৌনবা খঙহনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নগদৌরিবা টি-২০ অমসুং ৱান দে সেরিজদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী খনগৎখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি টি ২০-দা বিরাট কোহলি (কেপ্তেন), রোহিট শর্ম্মা, কে এল রাহুল, সিখর ধৱন, রিসফ পন্ট, দিনেস কার্টিক, এম এস ধোনি, হার্দিক পান্দিয়া, কুরনল পান্দিয়া, বিজয় সঙ্কর, য়ুজবেন্দর চাহল, জসপ্রিট বুমরা, উমেস য়াদব, সিদার্থ কোর অমসুং ময়াঙ্ক মার্কান্দেনি। অদুগা ৱান দে মেচতা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি বিরাট কোহলি (কেপ্তেন), রোহিট শর্ম্মা, কে এল রাহুল, সিখর ধৱন, অম্বাটি রায়ুদুর, কেদর য়াদব, মহম্মদ সহামি, এম এস ধোনি, হার্দিক পান্দিয়া, বিজয় সঙ্কর, য়ুজসবেন্দর চাহল, জসপ্রিট বুমরা, সিদার্থ কোর অমসুং কুলদিপ য়াদবনি।



HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)




# ক্রিকেটর চিটেশ্বর পুজারানা স্পোর্টস ষ্টার এসেস এৱার্দকী চ্যেরমেন্স এৱার্দ ফংখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী) ঃ
ইন্দিয়াদা মমিং লৈরবা মিদিয়াগী গ্রুপ অমা ওইরিবা হিন্দু পাব্লিসিং গ্রুপনা চহীগী ওইবা স্পোর্টস ষ্টার এসেস এৱার্দ লাউথোকপদা চ্যেরমেন্স চোইস এৱার্দ অদু ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারানা ফংখ্রে।

দি হিন্দু পব্লিসিং গ্রুপকী চ্যেরমেন এন রামনা গ্রুপ অদুগী মায়কৈদগী চহী খুদিংগী শান্নরোয়শিংদা পীবা এৱার্দশিংগী মনুংদা গ্রুপ অদুগী চ্যেরমেন্স চোইস এৱার্দ অদু ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী বেটমনে চিটেশ্বর পুজারানা ফংখি।

মনা অদু ফংখিবদা চিটেশ্বর পুজারানা মহাক্কী করিয়রদা মায়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌনবা মতমদা বোলরশিং অদুনা লংলিবা বোলশিং অদু য়াম্না শেংনা য়েংদুনা মায়োক্লনবা হোৎনখি। মরম অদুনা হাথু হাথুদবীদা লংলক্লিবা বোলশিং অদুগী মায়কৈ অমদি খোঙজেল য়েংলগা শান্নবা হোৎনবনা মহাক্কী অহানবা পান্দম ওইখি হায়না চ্যেরমেন্স চোইস এৱার্দ লৌরবা মতুং ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তাখিবদা চহী নৌরিঙৈদগী হৌনা ক্রিকেট মশান্নদা অহেনবা পূক্নিং চঙদুনা তাকপী তন্বীরকপা কোচশিং অদুগী পাউতাকশিং অদু মাঙদা থল্লগা শান্নরকখি হায়রি।

পুজানা ফোঙদোকখিবদা মশাগী চহী নৌরিঙৈদা মমা কেন্সর লায়নানা লৈখিদ্রবা মতুং অপোকপনা মহাক্কী ক্রিকেট শান্নবা পাম্বগী মায়ওন অদুদা চাউনা মতেং পীদুনা লাকখিবনি।

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

| SL no | POST | QUALIFICATION | SALARY | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Computer Operator | Graduate(DTP/Tally) | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 2. | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang | 2+2 +2+ 2+2 +2 |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | Negotiable | 18-35 | H.Q | 3+2 |
| 9. | Security | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 20th Feb,2019.
L.G.MOTORS (H.Q) ,KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Pleased Contact: 9383154085

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com